# শক্লোন কয়া পুরিবা পাওনম বিরজিৎ

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মশানা "Pedal & Snacks" হায়না য়াম্না পামজনা মমিং থোঞ্জরগা ফজনা, য়াম্না হৈশিংনা শেমজরবা (দিজাইন তৌরবা) সাইকল অমদা চা অমদি চানবা পোৎ য়োল্লিবা ইনখৎলক্লিবা নহা অমনি পাওনম বিরজিৎ। মফম্না অরিবা এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটকী হেক মায়োক্নবা কংলা পাৎকী ফুট পাথতা। ময়ূমদগী লোল্লবা চাগী ফ্লাক্স অনী, চানবা বিস্কুইট, অফুৎপা য়েরুম, লফোই, চেগী কপ মফম চানা হাপ্পা য়ানবা মশানা দিজাইন তৌজরগা, লমশাং শাংনা চৎপা য়াবা সাইকল অমদা ময়ূমদগী থৌদুনা লাক্লগা মফমসিদা অয়ূক্কী পুং ৫.০০দগীনা পুং ৭.৩০ ফাওবগী তেল্লবা মতমসিদা য়োনবনি। মফমসি ইম্ফালদগী হৌরগা থৌবালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুদম ওইনা - ৱাংজিং, তেন্থা, খোংজোম, হৈরোকনচিংবা মফমদা চৎনবা গাড়ী ঙাইফম/তোংফম (পার্কিং) ওইরিবা মফম অমদনি। মাগী সাইকল অসিদা ৱাগী শম ময়ায় ওইরপ চাউবা অমসু মমাঙ থংবা চাকাগী য়েৎ থংবা নাকলদা "START USING DUSTBIN" হায়না থারগা - চা থকপা অমদি অচাপোৎ চানবা পীবা চেগী কপ অমদি চে মচেৎশিংদু মফমদুদা ইচাই চাইখাইদুনা হুন্দোকহন্দনবা পাউজেল ওইনা মথক্তা পনখিবা ৱাগী শমসিদা থওইনা মাগী সাইকলদা য়াম্না মওং তানা শেল্লিবনি/হাপ্লবনি। করিগী মফম অসিদা অসিগুম্বা মখলগী পোৎলমশিং য়োল্লিবনো হায়বগী মতাংদা - নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক য়েন্দা অঙনবা মতম হায়বদি পুং ৪.০০ অদুৱাইদগীনা কংলা পাৎকী ফুট পাথ অসিদা খোঙনা চৎপা/খোঙনা চেনবা/মশানা পামজবা-হৈজবা মওংগী শাজেল মখল তৌনবগী মথক্তা থৌবাল য়ৌগদবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী হৌফমসু ওইবনা চানিং-থক্লিংবা মীওই কয়াগী পূনফমনি। ময়ূমদগী/হোটেলদগী থকপা-চাবা মতম ফংলক্তবদগী মফমসিদা থক্লবা চা, চাগা চাবা য়াবা অচাপোৎশিংসু ফংই খঙনবদগী মরী লৈনবা মীওই কয়া অমদি থক্লবা চা, চানবা পোৎ লৈরম্লোই হায়বগী চিংনবা লৈতবমখৈ লাক্লরিবনি। অহানবা/অঙনবা গাড়ী তোংলগা চৎখিগদবা খরনা লৈদুনা পুরগা গাড়ী মনুংদা থক্লবা চানবসু য়াওরিবনি। শেল তানবনি হায়রবসু পাওনম বিরজিৎ হায়রিবা শূবা নোম্বদা তন্দবা, শূবা নোম্বা কনবনা মশাগী হৈনজবী মনাৎ ওইনা লৌজরিবা নহানি। মতমবু লিক্লা, য়াম্না পামুনা শীজিন্ননীংজবা, মীগী মতেং পাংবনা নুংঙাইবা ওইজবা, হিংমিন্নবগী ৱাখল চেনবা, য়াম্না মীৎয়েং শানবা ইনখৎলক্লিবা নহা অমনি হায়বসি মহাক মশানা তৌখ্রবা/তৌরিবা খুদম খরা ওইবা য়াবা থবকশিংদগী শোয়দনা ৱারেংসিবু পাবীরিবশিংনা খঙবা ঙম্বীগনি। ইহে, মশানা লম অমদা চৎপদা নোংজু-নুংশা অমদি পোৎ লৈদুনা চাবিগদবা মীশিংগী পূক্নিংসু চিংশিনবা ঙম্নবা - হায়বদি অৱাৎ-অপা অমত্তা লৈতবা হায়বদু ওইনবা, মশাগী শেম শাবদা খূৎ হৈজবসু উৎনবা-ছাটিন ময়ায় ওইরপ পাকপা অমসু মফম মতমগী মতুং ইন্না শীজিন্নবা য়ানবসু মাগী সাইকলদুদা লোয়না শুনা য়াওরি। অদুনা মহাক্কী ৱাখল অমদি তৌথোরকপসিদা মীগা ইমান মান্নদবা মশক অমা উবা ফংই হায়বসি কনাগুম্বশিংনা কূপ্না/চেকশিন্না য়েংবীরবদি শোয়দনা খঙবা/উবা ঙম্বীগনি। নুমিৎ খরনি চঙনা নোংজু-নুংশাগী ফীভমশিংদা মহাক মশানা তৌরিবশিংসি উদুনা খঙলবা মতুংদা পাবিরিবশিংগী মফমদা অশেংবা ফীভমদু ওইনা পাউদমজবনি। অদুবু হায়বদি ঙমদে - শেম শাদোকপদা অনৌ অনৌবা ৱাখল পুথোকপা হৈজবনিনা ঙসিগী উখিবা মওংসি হয়েংনা অতোপ্পা মওং অমদা ওন্থোকখিবা।



মশাগী হোৎনবা কনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মখলগী মীওইশিংনা তৌনবা শিনফম নৎত্রগা হৈনজবী (হোবি) অমদা হেক্তা মায়পুনদুনা শরুক য়াবা ঙম্বসিসু মাগী পোকপদগী য়াওজরকপা মতিক ময়াই অমা ওইরমগদবসু মাল্লি। ইচাগুম্বা মহাকসে অইবগা মফম অমদা হেক্তা ৱারী ৱাতাই ঙহাক শান্নবদা থৱায় য়াওশিনবা মীনা ঙাঙলিবা/হায়রিবা অদুদা করিনো খরদি লৌশিনহৌনবা/খঙজিলহৌনবা তৌই। খরা শন্নপ্না মশাগী ওইবা মরমদা ৱারোল অসুম্না থমজরি :-

১) পাওনম বিরজিৎ মশামক হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমতোন কোলেজদা চৎলিবা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা বি এস সী (জিওগ্রাফি) দা ৬শুবা সেমিষ্টর পরিক্ষা থারগা পাস তৌরবদি বি এস সীগী দিগ্রি পায়গদৌরিবনি।

অয়ূক্তনা কংলা পাৎকী ফুট পাথকী মফম অমদা চা - চাগা চানবা অচাপোৎসু য়োল্লিবনি। য়ূমগী থবকসু শোয়দনা খরদি তৌরমগনি।

২) মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসন (এম এ এ এম বি এ) চীংমৈরোংগী এক্টিভ মেম্বরনি।

এসোসিএসনগী মহুৎ শিল্লগা ১২শুবা নেসনল মাউন্টেন বাইকিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৫, পুনেদা য়াওরুরে।

৩) কুমজা ২০১৬তগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা ৱাইল্ড লাইফ এন্দ হেবিটেট প্রোটেক্সন সোসাইটি, পুন্সিলোক, লাঙ্গোলগী এক্টিভ মেম্বর ওইরি।

মহৌশাগী খূৎশেম্বু য়াম্না নুংশিজবা, অকোয়বগী ফীভমবু কায়হন্দনা ঙাক শেন্দুনা থম্বসু পামজবা নহা অমা ওইনা মফম মতমগী মতুং ইন্না মথৌ তারকপা মতমদা মতোমতা ফাওবা থা অমরোম ময়ূমদগী লাক্লগা মফমসিদা লৈবসু অদুম য়াওই। মদুদা করিমত্তা চিংনবা অমদি অকিবা ফাওদে হায়নসু অইবদা পাউদমই।

৪) নাচোম আর্ট ফাউন্দেসন, মণিপুর, কোইরৌ থোংজু পার্ট টুদা লৈবা লূপ অসিগী দিরেক্টরর/কোরিওগ্রাফর ওইরিবা ওজা সুর্জিৎ নোংমৈকাপ্পমগী মখাদা দান্সর অমসু ওইরকই হায়নসু পাউদমই।

মথক্কীশিংসিগী মথক্তা মখাগীসিদসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পীবা সার্টিফিকেটশিং ফংলকখ্রে :-

১) ৭৪রকশুবা এদভেঞ্চর কোর্স - সেপ্টেম্বর ১২-২৩, ২০১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা অদুদা 'এ' (এ ৱাই ঈ) গ্রেদতা পাস তৌই হায়দুনা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসন্না পীরকখিবা সার্টিফিকেট।

২) নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ এল্লাইদ স্পোর্টস, দিরাঙ ৱেষ্ট কামেঙ অরুনাচল প্রদেশনা ওগষ্ট ২৯, ২০১৬দগী সেপ্টেম্বর ২৫, ২০১৬ ফাওবা পাঙথোকপা 'বেসিক মাউন্টেনিয়ারিং কোর্স সেরিএল নম্বর ১০ হায়বসিদা 'এ' গ্রেদতা পাস তৌই হায়দুনা নবেম্বর, ২০১৬তা পীরকখিবা সার্টিফিকেট।

৩) হিমালয়ান মাউন্টেনিয়ারিং ইন্সটিট্যুট, দার্জলিং (ৱেষ্ট বেঙ্গল) ইন্দিয়ানা এপ্রিল ৪দগী মে ১, ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকখিবা এদভান্স কোর্স সার্টিফিকেট এন্দ রিপোর্টকী কোর্স নম্বর ১৮২দা এম এম টি এনা পাওনম বিরজিৎপু স্পোন্সর তৌবদা এ (অলফা) গ্রেদতা পাস তৌ-খবগী সার্টিফিকেটতা 'রিকম্মেন্দেদ ফোর মাউন্টেনিয়ারিং এক্সপিদিসন' হায়না পীরকখিবসু লৈখি।

৪) "জোইন্ট মণিপুর এন্দ অরুনাচল প্রদেশ মাউন্টেনিয়ারিং এক্সপিদিসন টু মাউন্ট বাইসাখি (৫৮৮৭ এম)' হায়বসিদা কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ২০দা চীংদোল লোম্বা ঙমখ্রে হায়না নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ এল্লাইদ স্পোর্টসনা পীবা সার্টিফিকেটসু ফংখ্রে।

হায়রিবা পাউনম বিরজিৎকী অপোকপনা পাওনম বুধ মৈতৈ, অপোকপীনা পাওনম ওংবী প্রোমিলা, লৈফম্না ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোং মপালদগীনি। অপোকপনা করবার মচা মচা তৌরগা, অপোকপীনা অঙ্গনৱাদিগী ৱার্কর অমসু ওইনা ওইনা য়ূমদা নুপীশিংনা শেৎনবা ফনেক মপান নাইবা অহনবশিং লোনবনি। বিরজিৎকী মথক্তা ময়াম্বা অহল, মচে য়াইমা অদুগা বিরজিৎকী মখাদা মচননুপী অমা লৈ। মচেদি ময়ূম পানখ্রে। ময়াম্বা অহল চান্দেলদা লন্নাইগী স্কুল অমদা ওজা ওই হায়। মখোয়গী ইমুংদা লৈরিবা মী খুদিংমক শূবা নোম্বা কনবগী মমি লোয়না তাই। ফনা লায়রবা ইমুং ওইরবসু শূবা নোম্বা কল্লবা, অনা-অয়েক য়াওদ্রবদি নুংঙাইবা ইমুং হায়বদু নোংমদি শোয়দনা ওইগনি।

শূবা নোম্বা কনবগা লোয়ননা শক্লোন কয়া পুবা ইচানুপা পাওনম বিরজিৎকুম্বা নহা মশীং য়াম্না থোরক্লবদি ইমা লৈবাক মণিপুর মীরমদগী পংনোপ নোপলোই হায়না থমজগে। অসিগুম্বা তুংগী মীৎয়েং শানবা, তমজনীংঙাই ওইবশিং ষ্টেটসিগী মরী লৈনবশিংনা ফজনা য়োক-খৎচহন্নীংই।

কনানা লমজিং লমতাক্লকপা অমদি তুংগী পান্দম করিনো হায়না হংবদা - 'সনা ইচিন' হায়বা হৈশিংগী অকংবা আইটেমশিং য়োন্নবা পুথোকপা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী লেনিন ক্ষেত্রিময়ূমগা পূক্নিং লৌশিং অমদি থৌনা পীবিরকখিবনি হায়না পাউদমই।

মশাগী ওইবা তুংগী পান্দমদি মণিপুর অমদি মসিগী ৱাংমা মীরমশিংদা লমকোয়বগা লোয়ননা লমদমশিংদুগী মীওইশিংগা শকখঙ মায়খঙনরগা, ৱাখল হোদোক্নরগা মালেমদা অমগা অমগা নুংশি চান্নবগী পাউজেল পীজনীংবদি লৈ। অদুবু শেম্বীবা মপুগী থৌজালদা করি করম তৌবীরক্কদগে হায়না য়াম্না ফজবা অমদি থল্লকখি। মতাংসিদা অইবনসু ইচাসিগী অফবা ওইহনবীনবা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

---

# "মীতৈ ঐগী হৌফম, শাৎফম, লাইফম, থিজরকপদা মণিপুরদা থা'মগী খোঙচৎ হেল্লক্লবদা"

**য়ূম্নাম পীবা**

ঐগী মিং য়ূম্নাম পীবা কৌই, শম্ভুরতন হায়নসু কৌনৈ। বাংলাদেশতগী লাকচবনি। মীতৈগী হৌফম শাৎফম থিজরকপনি। ঐগী পোকফমদি ভানুবিল মমাঙ লৈকায় (ভানুবিল মারোরগাঁও) পোং আদমপুর বজার। পুলিস ষ্টেসন, কমলগঞ্জ, জেলা : মৌলভী বজার, বাংলাদেশতগীনি। পম্থৌগী মীংনা য়ূম্নাম কৃষ্ণচন্দ্র অমসুং পলেমগী মীংনা য়ূম্নাম ওংবী তোমচা কৌই। ঐ চহী ৮৪/৮৫ শুরে। মীতৈ ইপা ইপুগী হৌফম, পোকফম, লাইফম্বু, মীতৈ পোইরৈ লমদম্বু, মীতৈ লৈপাক লাইফম্বু, লাইগী লৈপাক লাইরৈপাকপু থিজরকপনি। লোয়নবা ইপাং কনামতা য়াওদনা ইতোমতা হং-হংলদুনা লাকচবনা মরম ওইরদুনা ৱানা মফমসে য়ৌরকপনি। ভানুগাছ রেলৱে বাংলাদেশতগী আখাওড়া রোজংশন অমসুং আখাওড়া চ্যেক পোষ্ট আগরটলা বোর্দর য়ৌরকপদা অহিং অমা চঙই। নোংঙাল্লগা আগরটলা রেল ষ্টেসন বাদাঘাটতগী কানচনজংখ এক্সপ্রেস আগরটলা টু কোলকটা হায়বা ত্রেন তোংলদুনা বদরপুরদা ঐবু থম্বীরম্মী। বদরপুরদগী অমুক সিলচর য়ৌবদা নুংথিল পুং ২ তাখি। আগরটলাদগী অয়ূক পুং ৬ তাবদগী তোংলকপদুনা জিরিবাম য়ৌবদা নুংথিলগী পুং ৪.৩০ তাই। ৱানা-ৱানা জিরিদা অহিং পোথাখি। নোংঙাল্লগা অমুক মণিপুর য়ৌনবগীদমক জিরি টু ইম্ফাল চৎনবা লুপা ৫৫০ পীবা টিকেট কত্তুনা অয়ূক পুং ৬তগী সুমো ভেন অমদা তোংলদুনা কিলোমিটর ২২০গী চীংগী লম্বীগী অৱাবা খাংলদুনা নুংথিলগী পুং ৪ তাবদা ৱাহেংবম লৈকায় জিরি পার্কিংদা থুংলবনি। ৱানা ৱানা অৱাবা লেল্লে। অদুবু লাইফমদি অমত্তসু চৎত্রি। কনাগা লোয়নদুনা, করম্বা মফমদা, করম্বা মওংদা অসুক য়াম্বা চীং-তমগী লাইফম্বু ঐনা করম্না চৎসিগে খল্ল-খল্লদুনা ঙাইহাক পোথাজে। ৱাহেংবম পার্কিংদগী বি টি রোদ, টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক য়ৌশিল্লগা গেট অচৌবগী নাকল অমদা অমুক ফল্লদুনা ৱাখল তৌই। ঐনা অদুঙৈ বাংলাদেশতা লাক্লম্বা মীওই অনী 'চানা লুখোই অমসুং চানালেম্বী' গী মোবাইলদা ঐনা ফোন তৌজে। ঙাইহাক লৈরগা মিনট ১৫/২০গী মনুংদা চানালেম্বী মশুনুপীমচা অমগা লোয়নদুনা লাক্লগা ঐবু তরাম্না ওকপীদুনা চানা তান্না পুবিদুনা ময়ূমদা নুমিৎ ৪/৫নি পোথাহল্লগা অৱাবা কোকহল্লি।

অসিগুল্লবা মমল লৈরবা, মীনুংশি খঙলবা, তৌবীমল খঙবা লমদমবু ঐগী কাউঙমদ্রবা থম্মোয়না কাউররোই। ঐগী অৱাবা লৈরম্বা পুম্নমক লৈখিদরে। ঐগী নীংবা থুংহল্লে। ৱানা খল্লম্বা পূম্বা লোইনা অৱাবা কোক্লে। এপ্রিল ৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী চনালেম্বী অমসুং চানা লুখোই লোয়নদুনা নোংমাইজিং চীংগোইদা ঐবু মখোয়না লমজিংবীদুনা কাবা হৌজরে। মতম চানা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবসু, য়াওহল্লে। চৈরাও চীং কাবসু ফংহল্লে। মথং মথং কৌব্রু চীং, কৌব্রু লৈখা, মাজিং চীং, নোংমাইচীং, চীংখৈ খুরুমজবা লোইরগা শুগনু তম্না খান চাউবা ৱাংবুরেল অমসুং নূংথোং শিদবী, মালেম থোংজাও পুরিবী মীরমলেন-লাইরমলেনগী চংজফম ওইরিবা সেরৌ নূংথোং অমসুং উজাউ উরেন অথোইবা খোংনাং থাবা য়াইফবা খুরুমজবগা লোয়ননা অমুক লাক্লে। খুমন মহৈকোন ময়ায় ইম্ফাল/ময়াং ইম্ফাল সতি খোংনাং অমসুং মৈকি খোংনাং মথং মথং খুরুমজদুনা মোইরাং ত্রোংলাওবী য়ৌরক্লে। ত্রোংলাওবীদগী থাংজিংচীং কাবসি ঐঙোন্দা ওন্থোক্লা ৱানা থোকখি।

ঐখোয় মী তরামাথোইনি। থাংজিং চীং কাবদুদা চহী তরানিথোই শুবা নুপামচা অমা য়াওই, ঐনা খ্বাইদগী অহলনি। ঐনা চৈশু শুনা-শুনা মফম কয়াদা কাখিবদো ঐগী পুন্সিদা কাউররোই। মখোয় মাপনদি চহী ৩০/৪০/৫০ শুবা মপাঙ্গল কনবা পাখং য়াইতোংবা ঙাক্তনি। নুংথিল পুং ৩দগী কাবনি নুমিদাং চীংলক্তা নোং নুংশিৎ নংদুনা মফম কয়াদা মৈ হৌগৎলগা হকচাংসে শাহল্লগা শেৎলিবা ফিরোল অচোৎপদো কংলি-কংলি, চোৎলি-চোৎলি থাংজিং চীংদোন্দা ইপুধৌ/ইবেন্ধৌগী লাইফম/খুভম য়ৌবদা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ তাই। ঙাইহাক লৈরগা নোংঙাল্লে। হকচাং শেংদোক্লরে ইরু মায় তানরে। ঐদি ঈংবনা ঈরুজদ্রে, চীংদোনগী ঈশিংদুনা মায়-মিৎ তাজদুনা হকচাং শেংদোক্তুনা ফিসেং হোংলদুনা হৈ-লৈ, শেল-থুম, চেঙ-থোইদিং, মানা-মানা পুবা ঙমজবা থাংজিং লাই ইপুধৌদা, ইবেন্ধৌদা কৎচবা লোইরদুনা অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদগী চীংদোলদগী তপ্পা-তপ্পা চৈশু শুনা-শুনা কুমথজরকই।

ত্রোংলাওবী খুন্দা থুংলবদা নুংথিল পুং ৫ তারে। ঐগী অৱাবা কোকচরে। চীং কাবা লোইজরে। হৌজিক কংলা নিংনপুংদসু খুরুমজরে। নুংশেং ইকোন, পুরুকশৌবী ইকোন, হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমা ইরাই লৈমা, মোংবহনবা উমংলেন অমসুং কোংবা মরূ লাইফমলেন, সনামহী লাইনিংথৌগী সনামহী টেম্পল বোর্দ হয়িং খোংবান্দা ইপুধৌ পাখংবগী ফুড়া লাইশঙ, লাইনিংথৌ নোংশাবগী শক্তম অমসুং সনা কোনুংদা ঙান্থোইবীরিবা সনা ফম্বাল লাংদা মালেম লৈগী মপু ওইবীরিবা লাইনিংথৌ সলাইলেনগী সনা য়াথং পুবা ইবুধৌ পাখংবা য়েকপু পোকপা অপোকপবু খুরুমজবা ফংজবা লাইনিংথৌ ইমাগী য়াইফ থৌজাল ফংজদুনা ঐগী পুন্সি খোঙচৎসে লাইফম চামনিপানবু করম্নবু থুংসিগে, করম্নবু চৎসিগে থুংজবা ঙমজদ্রি ৱাখলসে। অন্দ্রো পোইরৈ মৈহৌপুং, তাইরোইনাই পুং, শজিক পুং, সিদপুং, মিরেন পুং, মিতম পুং অসিনচিংবা লাইফম ময়ামবু লোয়না লোয়ননা খোংজোম তির্থনিবু হায়নরিবা খোংজোম দে, অকনবগী পোক্লফম, অথোইবগী তুংনফম, অথোইবগী লেপ্নফম, মীতৈ পোইরৈ লৈময়োন, চীংলোন মাপন্না কোয়বা লম কোয়বা লোয়দ্রি কোয়রি। থুংবা ঙমজদ্রি থুংদ্রি, চীংমৈরোংগী চীংথক্তা লৈপাক নীংবা অথৌবশিংগী শক্তমসু চৎলুদ্রি/খুরুমজরুদ্রি। পোলোইদা নীংশিংহল্লি ঐবু নোংমাইচীংগী চীংসাং নাপোম মচাদা অরোইবা য়াহিপ তমখ্রবা লৈমা ৱাখা চীংদা য়াতাখ্রবা মীতৈ নেসনল ফ্রন্টকী ওজা চীংশুবম অকাবা। অমুক্কা হেন্না নীংশিংহল্লি লমদম তাম্না লৈহৌরবা ঐগী পূক্নিং হুরবা চানা লমদমদা, ওইনাম চানা লুখোইগী ফজখ্রবা নুংশিখ্রবা, নুংশিকোন পার্ক, কাউবা ঙমলোই থম্মোয়না। মীতৈ খুন্নাইবু য়াকাইবিরম্বা, মীতৈ লাইনীংবুসু নীংশিংহনবীরম্বা জননেতা হিজম ইরাবতকী মীতম, লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলো, অরাম্বম সমরেন্দ্র অমসুং পিশকমচা মীতৈ খুন্নাইগী তাঙলবা লুচিংপুরেন ওজাশিংগী মীতম্বু নুংশিকোন লৈকোনগী পার্ক মনুংদা হৈকোন লৈকোনগী ময়ায়দা অমসুং শংবান্নরবা অতিয়াগী মখাদা ঙান্থোইহৌবদো নীংশিংলুরগা নুংওল্লি পূক্নিংসে কাউবা ঙল্লোই থম্মোয়সে।

পোলোইদা ঐনা ৱাফম অমত্তংবু থমজনীংই, পাঙ্গল শোল্লবা, খ্বাং হংবু কোল্লবা, অহল ওইরবা পাংজদ্রবা ঐনা মীতৈ ইপা-ইপুগী হৌফম, শাৎফম, লাইফম্বু, হকচাং অনা-অয়েক য়াওজদনা লাইরৈপাকপু কোয়বা ঙমহনবীবসে/ফংজবসে কংলৈ ইমাগী য়াইফ থৌজালননি। ইপুধৌ পাখংবগী নুংশি নোংদমনি অমসুং মীতৈ ইমাগী নুংশি পাউতাকনি। চীং-তম অনীমক্কী কংলা ৱায়েল চূপলি পায়বিরিবা লাইনিংথৌ ইবুংঙো নুংশিবা, নীংবগা থৌবগা মান্নবা, লৈপাক নিংথৌ য়াইফবা ইবুংঙো লৈশেম্বা সনাজাওববু উনজবা ফংজবা অমসুং পাম্মু চিল্লোক্লা, নুংশি চিন্দিন্নবা ফংজরকপসে নিংথৌ ফিরাল তুথুপয়েক খামেন চৎপা ফিবু ওক্লবিরকপসে ঐগী পুন্সি লম্মন ইথোইরে। তরাম্না ওকপীদুনা ঐবু নুংশি খুদোল তম্বীরকপবু পুন্সি চেৎনা থমজগে। কাউঙমদ্রবা থম্মোয়না মপোক খুদিং কাউজরোই। ইনিংথৌগী পুন্সিবু য়াইফ মরাং কাইবা নীজদুনা হন্না হন্না খুরুমজরি। য়াইফরে লাইনিংথৌনা য়াইফরে।

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫

১। মণিপুরগী য়েক সলাই খুদিংগী লাইফম অপোকপগী খুভমদা লৈনুংদা য়োৎনা শাবা লেপ শুম্বল মানবা অমা ফুমদুনা থম্নে। মথক্তনা খাবৈ মওং মান্না য়োৎনা শাবা অমসু য়ুংনৈ।
(ক) লৈনুংদা ফুল্লিবদু মমাগী খুদমনি। করি কৌই?
(খ) মথক্তা য়ুংলিবদুনা মপাগী খুদমনি। অদুনা করি কৌই?

২। "হে নুপী! নখোয়না অসুক থাজগল্লিবসিবু... করিগীনো?" পরেং অসি শাজৌ কৌবা অমনা মাগী নুপীনা মন্ত্র যন্ত্র থাজগনবা অদুদা পেন্দনা হায়রিবনি। ওজা জি সী তোংব্রাগী রেডিও ড্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "কিরন্বদগী কিরক্তে/মিৎ উইশিল্লগদুম চৎনিংলক্লে।" পরেং অনী অসিনা কবি ভুবনসন্নাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "পুন্সিদি শৈরেংনি/... শৈরেং য়াওদ্রবা পুন্সি/নত্তে অশেংবা পুন্সি।" পরেং অহুম অসিনা 'নোংজু নঙনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "অশেংবা থৱায় অমনা/কোইপাই পাইদুনা থিরি/হকচাং পোলাং অমা।" পরেং অহুম অসিমনা 'ৱাথোক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। মপালগী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল
**hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

---

**মরোল থোকপা লাই**




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।